## ইম্ফাল ইষ্ট ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭ঃ–

# অংথা এফ সি অমদি পি আর ৱাই এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, অগাষ্ট ২০ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসেসিয়েসননা শিন্দুনা টিম ৮না শরুক য়াদুনা অবা গ্রাউন্দ, ক্ষেত্রিগাউদা চথৰিবা মোইরাংথেম ইবোবি মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসিগী অহানবা মেটচতা অংথা এফ সি, অংথানা এ বি এ ক্ষেত্রিগাউবু গোল ২–০দা অমদি অনিশুবা মেটচতা পি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপমনা এস দব্লিয়ু সি খোঙমনবু গোল ৩–১দা থোইখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ১৭শুবা লীগ মেটচ ওইনা ঙসি অহানবা শান্নখিবা মেটচতা অংথা এফ সি অংথাগা এ বি এ ক্ষেত্রিগাউগা লম্বা তৌনবদা মেটচকী ৪০শুবা মিনটতা অংথা এফ সিগী সুধিরনা গোল ১ চনবগা লোয়ননা অহানবা হাল্ফকী অপিবা মতম লোয়বা ফাওবদা অংথা এফ সিনা পানজল ১ মাংজিল থাখি।

অনিশুবা হাল্ফতা এ বি এ ক্ষেত্রিগাউগী শোখদুনা লৈরিবা পানজল হন্দোক্লবা হেন্না কন্না শান্নখি। অদুবু পানজল হনে দাকপগী মহুৎতা মেটচ অদুগী ইনজুরি টাইম মিনট ৮০ প্লস ২দা অংথা এফ সিগী মালেমঙানবনা গোল ১ চনশিনখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু অংথা এফ সিনা গোল ২–০দা মায় পাকখিবনি।

মেটচ অদুগী মিনট ৮০ প্লস ১দা এ বি এ ক্ষেত্রিগাউগী শুর্জকান্তাবু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অদুদা আই রবিচন্দ্রনা সেন্তর রেফরি, এম ইনাওনা এ আর ১, পি ঐচ লম্বোইবনা এ আর ২ অমদি টি প্রেমজিৎনা ফোর্থ রেফরি ওইনা কন্দক তৌখি।

চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৮শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা মেটচতা পি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপমগা এস দব্লিয়ু সি খোঙমনগা লম্বা তৌনবদা পি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপমগী সনাজাওবনা মেটচকী মিনট ৪০দা গোল ১ হান্না চনখি।

অদুবু ইকান কান্নদনা ৪২শুবা মিনটতা এস দব্লিয়ু সি খোঙমনগী এ বোবোইনা গোল স্কোর তৌবদগী নাকল অনিমক্কী গোল স্কোর ১–১দা লৈখি।

অদুবু পি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপমনা হেন্না কনবা এটেক্ট চথরকপাগা লোয়ননা মেটচকী ৪৫ অমদি ৫৮শুবা মিনটশিংদা টিম অসিগী মথংসিংনা সনাজাওবা অমদি দেবাকরনা গোল অমমম স্কোর তৌদুনা মেটচ অদু পি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপমনা মায় পাকখ্রে।

মেটচ অদুগী ২৫শুবা মিনটতা এস দব্লিয়ু সি খোঙমনগী কে ঐচ সুরজ, মিনট ৫৬ অমদি ৬৯দা পি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপমগী থোই থোই অমদি এস প্রেমজয়বু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। মেটচ অদুদা এন ইবুংঙোনা সেন্তর রেফরি, এন অরুনকুমারনা এ আর ১, ৱাই দেবচান্দনা এ আর ২ অমদি এন অমর্জিৎনা ফোর্থ রেফরি ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং অংথা এফ সিনা এস দব্লিয়ু সি খোঙমনগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

## ইন্দিয়ান ৱুমেন্স লীগ ২০১৭, প্রি–ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ ঃ–

# এপ পি এস সি অমদি ক্রিপ্সা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ২০ঃ

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদেরেসন (এ আই এফ এফ) কী মিৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ঙসিদগী নুপীগী টিম ৫না শরুক য়াদুনা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দ, খুমন লম্পাক্তা ইন্দিয়ান ৱুমেন্স লীগ ২০১৭গী প্রি–ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ হৌখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনিদা এম পি এস সি, পুলিস হেদ ক্বাটর অমদি ক্রিপ্সা, নাউরেমথোং মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপা ওইনা ঙসি অহানবা মেটচতা এম পি এস সি পুলিস হেদ ক্বাটরগা এন ৱাই টি ঐচ সি ওক্রম চুথেক্কা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা এম পি এস সিনা য়াম্না লাকচনা গোল ৭–০দা এন ৱাই টি ঐচ সিবু মায়থিবা পিখ্রে।

মেটচ অদুদা এম পি এস সি পুলিস হেদ ক্বাটরগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচকী মিনট ১০, ১৩ অমদি ৩৯দা এন জি বালানা গোল ৩, মিনট ২৩দা সখিতোম্বীনা গোল ১, মিনট ২৯দা এ প্রমোদিনিনা গোল ১, মিনট ৩২দা এ রোজানা গোল ১ অমদি এন কিমিনা গোল ১গা চনখি।

মেটচ অদুগী মিনট ৯০ প্লস ১দা এন ৱাই টি ঐচ সি ওক্রম চুথেক্কী দেবাজানিবু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নমেন্ট অসিগী অনিশুবা মেটচতা ক্রিপ্সা নাওরেমথোংগা ৱাই দব্লিয়ু সি লংথবালগা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা ক্রিপ্সনা গোল ৫–০দা ৱাই দব্লিয়ু সিবু মায়থিবা পিখ্রে।

মেটচ অদুদা ক্রিপ্সা নাওরেমথোংগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচকী মিনট ৯ অমদি ৪০দা দি গ্রেসনা গোল ২, মিনট ১৯দা এন রতনবালানা গোল ১, মিনট ৫৬তা এস রনজননা গোল ১ অমদি মিনট ৬০দা ই বিদ্যারানিনা গোল ১গা চনখি।

মেটচ অদুগী ৯০শুবা মিনটতা ৱাই দব্লিয়ু সি লংথবালগী এস রিনারোইবু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা থা অসিগী ২৪দা শান্নগদবা অহানবা মেটচতা ক্রিপ্সা নাওরেমথোংগা ই এস য়ু ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দগা অমদি অনিশুবা মেটচতা ৱাই দব্লিয়ু সি লংথবালগা এম পি এস সি পুলিস হেদ ক্বাটরগা লম্বা তৌনরগনি।

# ৭শুবা কাংজম কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

# পাময়াল পাৎশোইনা এম এস সি মালোম্বু গোল ৫–০দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ২০ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা টিম ৭না শরুক য়াদুনা ৭শুবা কাংজম কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ ঙসিদগী কে ৱাই সি নোর্থ গ্রাউন্দ, খুর্খুল অৱাং লৈকায়দা হৌদোকখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পাময়াল, পাৎশোইনা এম এস সি, মালোম্বু গোল ৫–০দা থোইখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৫৫দগী হৌদুনা শান্নখিবা পাময়াল পাৎশোইগা এম এস সি মালোমগা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী মিনট ২৯, ৩৭, ৬০ অমদি ৬৪দা দব্লিয়ু রোজেননা গোল ৪ অমদি মিনট ৪৪দা এন সনাথোইনা গোল ১গা চনদুনা পুন্না গোল ৫–০দা লাকচনা পাময়ালনা এম এস সিবু মায়থিবা পিবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী ১৮শুবা মিনটতা এম এস সিগী এল ওমিকুমার অমদি ৩০শুবা মিনটতা পাময়ালগী এন রনজননা নিয়ম কায়না শান্নরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা থা অসিগী ২২দা শান্নগদবা অহানবা মেটচতা য়ু পি সি পিসুম ওইনাম লৈকায়গা এম টি এস য়ু মালোমগা অমদি অনিশুবা মেটচতা আই দব্লিয়ু এস সি খুম্বোংগা এস আই সি ও লৌরেম্বম লৈকায়গা লম্বা তৌনরগনি।

## অহানবা সন্দে কপ ২০১৭ঃ–

# অরুন ইন্টরপ্রাইজেস এফ সি, ওলৱেস এফ সি অমদি থাংমৈবন্দ এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, অগাষ্ট ২০ঃ

সন্দে ফুটবোল ক্লবনা শিন্দুনা চহি ৩০ মথাক্কী নুপাগী টিম ১৩না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১৩দগী হৌদুনা খুদৈবন্দ লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স, লমসাংদা চথরকখিবা ফার্ষ্ট সন্দে কপ ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা অরুন ইন্টরপ্রাইজেস এফ সি চিংমৈরোংগা আর এফ সি খম্নাম লৈরক্কা লম্বা তৌনবদা অরুন ইন্টরপ্রাইজেস এফ সিনা গোল ২–০দা মায় পাকখ্রে।



মেটচ অদুদা অরুন ইন্টরপ্রাইজেসকী মায় পাকপগী গোল অদু মেটচকী মিনট ১৫দা এস বির্জিৎনা গোল ১ অমদি মিনট ১৭তা ঐচ রোনালনা গোল ১গা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা মেটচতা থাংমৈবন্দ এফ সি থাংমৈবন্দগা য়ু ভি এস এ লিলোংচজিংগা লম্বা তৌনবদা থাংমৈবন্দ এফ সিনা গোল ২–০দা য়ু ভি এস এবু থোইখ্রে।

মেটচ অদুগী ৩৭ অমদি ৪২শুবা মিনটশিংদা থাংমৈবন্দ এফ সিগী বুংঙোনা গোল ২ চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু মহাক্কী টিমনা থোইখিবনি।

মেটচ অদুগী ৫৭শুবা মিনটতা থাংমৈবন্দ এফ সিগী নোংদ্রেননা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

ঙসিগী অহুমশুবা মেটচতা ওলৱেস ফ্রেন্দস এফ সি ইম্ফালগা সলাই এফ সি থাংমৈবন্দগা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা ওলৱেস ফ্রেন্দস এফ সিনা গোল ১–০দা মায় পাকখ্রে।

মেটচ অদুদা ওলৱেস ফ্রেন্দস এফ সিগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙায়রবা গোল অদু মেটচ অদুগী ৯শুবা মিনটতা টি নরেন্দ্রনা চনখি।

মেটচ অদুগী ৬৪শুবা মিনটতা ওলৱেস ফ্রেন্দস এফ সিগী এম দি কুদসনা নিয়ম কায়না শান্নরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা থা অসিগী ২৭তা শান্নগদবা অহানবা মেটচতা এফ সি ইম্ফালগা এল ৱাই সি অংথাগা, অনিশুবা মেটচতা পুলিস টিমগা রেদ বুল এফ সিগা, অহুমশুবা মেটচতা সিটি এফ সিগা ওলৱেস এফ এফ সিগা অমদি মরিশুবা মেটচতা ব্রদরস য়ুনাইটেদকা অরুন ইন্টরপ্রাইজেস এফ সিগা লম্বা থেংনরগনি।

# এল ইতোমচা মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ

# কে পি এফ সিনা লসালবু গোল ৬–০ মায়থিবা পিখ্রে

ইম্ফাল, অগাষ্ট ২০ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা থা অসিগী ৩দগী টিম ৭না শরুক য়াদুনা মিনি ষ্টেদিয়ম বিষ্ণুপুরদা চথরিবা অহানবা এল ইতোমচা মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা কে পি এফ সি খা–পোৎশংবম্না লাকচনা লসাল লৈমাপোকপম্বু গোল ৬–০ মায়থিবা পিখ্রে।



আর কে রনজননা সেন্তর রেফরি, এল প্রেবিচান্দনা এ আর–১, ৱাই লুংসুনা এ আর–২ অমদি এল অসানন্দনা ফোর্থ রেফরি ওইনা কন্দক তৌদুনা কে পি এফ সি খা–পোৎশংবমগা লসাল লৈমপোকপমগা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা কে পি এফ সিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচকী মিনট ১৮ অমদি ৩৬তা এস সনাতোন্না গোল ২, মিনট ৪৫দা এস প্রেমচান্দনা গোল ১, মিনট ৫৬তা এম মেঘজিৎনা গোল ১ অমদি মিনট ৫৮ অমদি ৯০দা সি ঐচ দিলিপনা গোল ২ চনখি।

মেটচ অদুগী ৪০শুবা মিনটতা লসালগী ও বোবিতোবু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

# এন ই য়ু এফ সিনা চহি ২গী মনুংদা শেল মাংদনবা হোৎগদৌরি

গুৱাহাটি, অগষ্ট ২০ঃ

ইন্দিয়া সুপর লীগকী মরুওইবা ক্লব অমা ওইরিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবকী মপু ফিল্ম এক্টর জোন অব্রাহমনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী টিম অসিনা লাক্কদৌরিবা সিজন অসিদা শেন মাংদবা ক্লব অমা ওইহনবা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অতোপ্পা ক্লবশিংনা ৭শুবা অমসুং ৮শুবা সিজন ফাওবা ঙাইনরগা থাদখিবা শেনগা লাক্কদৌরিবা আইগা মান্নদুনা মাংদবা ফিভম অমদা লৈনবা হোৎনবদা মহাক্কী ক্লব অসিনা মথংগী সিজন ১ নত্রগা ২দা ঙমগনি হায়রি। ক্লব অসি নোর্থ ইষ্টকী ওইনা খ্বাইদগী মরুওইবা শক্তম উৎকদবা ক্লবনি। মণিপুর, অসাম, মেঘালায়া অমসুং মিজোরামদগী পীক্লিবা শান্নরোই ৪৮ খনগৎতুনা শেমগৎপা হৌরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

# সকসি মলিক অমসুং বজ্রং পুনিয়ানা ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা মেডল ফঙনবা হোৎগদৌরি

পেরিস, অগষ্ট ২০ঃ

হয়েংদগী পেরিসতা হৌগদৌরিবা ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা রেষ্টলর ২৪শাবা ইন্দিয়াগী টিম অদুগী মরক্তা য়াওরিবা ওলেম্পিক্স মেডলিষ্ট সকসি মলিক অমসুং এসিয়ান চেম্পিয়ন বজ্রং পুনিয়া মেডল ফঙনবা কন্না হোৎনগদৌরি।

রিও ওলিম্পিক্কী ব্রোঞ্জ মেডল ফঙবা ঙমখ্রবী সকসি মলিকনা হয়েংগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অসিদা কেজি ২ হেনগৎলগা কেজি ৬০দা শরুক য়াদুনা মেডল ফঙনবা হোৎনগদৌরিবনি।

পনবা য়াই মহাক্না মে থাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা কেজি ২ হেনগৎলগা শান্নবদা সিলভর মেডল ফঙবা ঙমখিবনি।

নুপাগী কেজি ৬৫গী ফ্রি ষ্টাইল ইভেন্টতা শরুক য়াগদৌরিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন বজ্রং পুনিয়ানা হান্না কেজি ৬০দা শান্নরম্বদগী কেজি ৫ হেনগৎলগা ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবনি।

কুম ২০১৩দা হংগেরিগী কোনুং ভুদাপেষ্টা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা বজ্রং ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

নুপীগী কেজি ৪৮গী ফ্রি ষ্টাইলদা এসিয়াগী সিলভর মেডলিষ্ট ভিনেস ফোগৎসু মেডল ফঙনবা হোৎগদৌরি। মহাক এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা কেজি ৫৫দা শরুক য়ারম্বদগী রিও ওলিম্পিক্সতা শোক্তুনা লৈরুরবা মতুং কেজি ৪৮দা অমুক হন্দরগা শরুক য়ারিবনি।

# শ্রী শ্রী গোপালদেব কাং টুর্নামেন্ট

# টেকোনা পাঞ্জল ১৩–৬তা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, অগাষ্ট ২০ঃ

শ্রী শ্রী গোপালদেব কাংখুৎ, য়াইস্কুলনা শিন্দুনা টিম ৬না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ৭তগী য়াইস্কুল গোপালদেব কাংশঙদা চথরিবা চহি ৫০দগী ৬০ মথক্কী ওইবা শ্রী শ্রী গোপালদেব সেকেন্দ লীগ কম নোক–আউট কাং টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টেকা কাংখুৎ পিসুমনা আই দব্লিয়ু কে কে কাংখুৎ উচেক্কোনবু পাঞ্জল ১৩–৬দা থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখাতারকপদা হয়েং গোপালদেব (বি) কাংখুৎ য়াইস্কুলগা থাংমৈবন্দ কাংখুৎ থাংমৈবন্দগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*